শান্নরোয়শিংনা টুর্নামেন্ট চৎপা ফাওবদি লৈঙাক্লা শেলগী মতেং মতিক চানা পীহন্নীংই : তম্ফাসনা

অলকা থোকচোম

ইম্ফাল, মার্চ ০৬ (ঐচ এন এস): লমদম অসিগী শান্নরোয়শিংগীদমক লৈঙাক্লা পায়খৎফম থোকপা থবক থৌরম খরদি অদুম্মক পায়খৎপীরি। অদুমওইনমক শান্নরোয়শিং মরুওইনা ঐগী ওইনা খ্বাইদগী পামজবদি লৈঙাক্লা অতৈমক ফনা ঙমদ্রসু শান্নরোয়শিংনা টুর্নামেন্ট চৎপা মতমদদি ফাইনান্সিএল এসিষ্টেন্ট মতিক চানা পীবীদুনা ৱানা হোৎনজরিবা পাম্বে লৈজদ্রবা শান্নরোয়শিংবু মতেং পাংহন্নীংই হায়না চহী নৌরিবী ৰুশু শান্নরোয় তম্ফাসনা ব্রহ্মাচারিময়ুমনা ফোঙদোরক্লি।

তম্ফাসনানা পাউচে অসিদা ফোঙদোরকখিবগী মতুংইন্না মহাক য়াম্না অঙাং ওইরিঙৈ মতমদগী শান্ন-খোৎনবগী লম্দা থৰায় য়াওনা হৌরকখি। য়াওশঙগী স্পোর্টসনচিংবদা মহাক্লা শরুক য়াখিদবা ইভেন্ট অমত্তা য়াওখিদে হায়বা য়াই। মহাক্কী থৰায় য়াওবদু উবদা লৈকাইগী মখুরা ইবোমচানা মহাক্কী অপোকপদা শান্নবা চৎহল্লু হায়রকপদগী মমা-মপাগা পূন্না চৎতুনা ইথাই খুনৌদগী করাটেগী ওজা শ্যামচান্দদা ইহান হানবা ওইনা কুমজা ২০০৪দা কারাটে শান্নবা হৌহনখি। মদুগী মতুং নিংথৌখোংদা লৈবা কিক্ বোক্সিংগী ওজা ডা. শিফু নোরেনদা কিক্ বোক্সিং তম্বা হৌখি। অদুবু মশান্নশিং অসি নেসনলগী থাক্তা লৌখৎপীদবা ওইবনা মহাক্কী ওজা নোরেনগা তানদুনা রিগ্যুলর কোচিং সেন্টর, খা পোৎশংবমদা ওজা রোমেনগী মখাদা অমুক ৰুশু সান্দা শান্নবা হৌখি। কুমজা ২০১৪দগী মহাক কম্পিটিসনশিংদা শরুক য়াবা হৌরকখি অমদি পঞ্জাবতা পাঙথোকপা কারাটে নেসনল চেম্পিয়নশিপতা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখি। ইন্দিপেন্দেন্ট ক্লব, দেল্লীদা সিলভর লৌখ্রে অমদি অতৈ-অতৈ কিক্ বোক্সিংগী চেম্পিয়নশিপ কয়াদসু গোল্ড মেদল কয়া লৌবা ঙমখ্রে। হন্দক রাঞ্চিদা পাঙথোকখিবা খেলো ইন্দিয়া সিনিয়র নেসনল চেম্পিয়নশিপতা ৰুশু সান্দা মশান্নগী ওইনা মহাক্লা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখি হায়খি।

মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, ইমুং-মনুংগী ফীভম ফত্তবনা ওইরগা মায় পাকপা শান্নরোয় অমা ওইনবা হোৎনবদা খূদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরি। মপাবুং অমদি মবুংশিংনা অফংবা থবক শুরগা ইমুং-মনুং পুবনা মরম ওইরগা টুর্নামেন্ট চৎপা ফংদবগী অৱাবা, য়ূমগী কুপনোমগী মরক্তা হুরাল্লগা প্রেক্টিস চৎনবা হোৎনবদা খূদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরকপা অমদি টুর্নামেন্ট কয়া চৎখিদবসু য়াওখ্রে। মসিগী মথক্তা ট্রায়ল সেলেক্সন ফাওবা য়াওবা ঙমখিদবনা খূদোংচাবা কয়া মাঙখ্রে। ৰুশুগী ক্লাসতি নুংথিল পুং ৪দা তৌবনিনা ওটো মথাং অনী তোংলগা শান্নবা চৎলুরগা য়ূমদা অমুক হল্লকপদা মমখিবনা অয়াম্বনি। মসিদা লৈকাইগী অমদি খুলগী মীনা নুপীনা থেংনা য়ূমদা হল্লকই হায়না থিনা হায়নবীবা কয়ানা মরম ওইরগা অমুক-অমুক শান্নবগী লম্সিদগী লাপথোক্লীংবগী ঈহুলসু ফাওরক্তবা নত্তে। অদুবু ইমুং-মনুংনা মপূং ফানা শৌগৎপীবনা অমরোমদা অমুক্কা হেন্না থৰায় য়াওবা হেন্নবগী অচৌবা মরম অমসু ওইরক্তবদি নত্তে। হন্দক চথখিবা খেলো ইন্দিয়া সিনিয়র চেম্পিয়নশিপ অসিদদি মহাক অদুক্কী মতিক ৰাখি। মরমদি মণিপুরদা হৌজিক লৈরিবা তংদু লৈতাদবা ফীভম অসিনা প্রেক্টিস চৎপসু ঙমখিদে। মরক্তা কর্ফিয়ু থমজিল্লকপা অমদি লম্বী থিংবগী খোঙজং কয়া অমনা চৎথোক-চৎশিন্দা অদুক্কী মতিক অৱাবা ওইবনা ওজাশিংগা তাথোক-তাশিন তৌদুনা প্রেক্টিস তৌবসু ঙমখিদে। মদুনা মরম ওইরগা টুর্নামেন্ট থোকপদদি য়াম্না ৱাখি। অদুবু ৱানা হোৎনজবগী মহয়না গোল্ড মেদল ফাওবদি লৌবা ঙল্লকখিবনি।

মহাক্লা পামজবদি ইমুংনা ফনা ৱারবসু ৱানা মহাক্কী শান্নবগী লম্বী অসিদা করিয়র শেমগে হায়দুনা চপ য়ুংনা লেপ্পুনা খোঙ থাংজিল্লক্লবনিনা ওলিম্পিক গেমস ফাওবদি য়ৌনবা হোৎনগে খল্লি। মরকসিদা হৌজিক ফাওবগী ওইনা মহাক্লা লমদম অসিগী ফনা মায় পুরক্লবসু লৈঙাক্কী মায়কৈদগী করিগুম্বা মখলগী কান্নবা অমত্তা ফংবা ঙমদ্রি। কান্নবা খজিক্তা ওইরবসু ফংনবা হায়দুনা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংদা থাজিনবা য়াবা মরী লৈনবা চে-চাংশিং থাজিনখ্রে, হায়নবা য়াবা হায়নখ্রে অদুবু মখা তানা কন্না তকশিল্লুবদি ঙমদ্রে। মহাক্নুম্না লমদম অসিদা অৱাবা কয়া খাঙদুনা কথোকপগা লোয়ননা শান্নরিবা শান্নরোয় কয়া লৈরি। অসিগুম্বা শান্নরোয়শিং অসিবু লৈঙাক্কী মায়কৈদগী করিগুম্বা খরদা ওইরবসু খূদোংচাবা পীবীরবদি অমুক্কা হেন্না মায় পাক্লা শান্নদুনা লমদম অসিগীদা নৎতনা লৈবাক অসিগী মিংচৎ পুরকপদা চাওনা মতেং ওইগনি খঞ্জৈ। মসিগী মথক্তা লম খরা লাপথোকখিবা খরা মনুং হঞ্জিনবা মফমদগী হৌরক্লিবী নুপী শান্নরোয় কয়াদি অমুক্কা হেন্না খূদোংচাদবা মায়োক্লরি। দিসিপ্লিন খূদিংমক্তা শান্নরোয় অয়াম্বনা শেলগী অৱাবা মায়োক্লবা ঙাক্তনি। লমদম অসিগী ওইনা মশান্না খরগী ওইনদি লৈঙাক্লা খূদোংচাবা চপ চানা পীরি হায়বা য়াই। হায়রিবা দিসিপ্লিনশিং অদুগা মান্নন ৰুশু মশান্নগী ওইনসু লৈঙাক্লা খূদোংচাবশিং পীহন্নীংই। মরমদি দিসিপ্লিন খূদিংমক চপ মান্নবা পাঙ্গল, লৌশিং থাদদুনা শান্নরিবা ঙাক্তনি।

পনবা য়াবদি, মশাগী চহী ২০ লোম শুরবী তম্ফাসনা ব্রহ্মচারিময়ুম কুম্বী সতাপুর মমাং লৈকাইদগী রঘুনাথ অমসুং ইবেমচাগী মচানুপীনি। মহাক হৌজিক-হৌজিক কুম্বী কোলেজদা ফিজিকেল এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টতা অহানবা সেমিষ্টরদা তম্লি।

কে সী সী অমসুং এল সী সী সী মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ০৬ (ঐচ এন এস): মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট এসোসিএসননা শীন্দুনা লংথবাল পব্লিক গ্রাউন্দদা চথরিবা অহানবা খোমদ্রাম (ও) হিজম মেম্মা মেমোরিএল টি-২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০২৪গী ওইনা ঙসি শান্নখিবা তোঙান-তোঙানবা মেটচশিংদা কে সী সী কোংবনা ৱাই য়ু সী সী মোইরাংপুরেল অদুগা এল সী সী সী লিলোং চজিংনা য়ু সী সী (রেদ) উরিপোক মায়থীবা পীখ্রে।

কে সী সী অমসুং ৱাই য়ু সী সীগী মরক্তা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুগী টোস কে সী সীনা ঙমদুনা হান্না বেটিং তৌনবা খনখি। অহানবা ইন্নিংসতা কে সী সীনা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা অদুগী ওইনা রোবর্টসন অমসুং দেবকান্তনা ওপনর বেটসমেনশিং ওইখি। রোবর্টসন বোল ১৩দা রন ১০ অদুগা দেবকান্তনা বোল ১৫দা রন ১৩ লৌরল্লগা আউট ওইখি। ইন্নিংস অসিগী ওইনা বেটসমেন কিরননা বোল ৪৮ মায়োক্লবদা রন ৬৬ লৌদুনা রন মশীং খ্বাইদগী য়াম্না লৌবা ঙম্বা বেটসমেন ওইখি। ইন্নিংস অসিগী ওইনা ওভর ১৯.১দা কে সী সীগী ৱিকেট ১০ মক আউট ওইরগা রন ১৪৪ লৌবা ঙমখি।

ৱাই য়ু সী সীনা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা ওপনর বেটসমেন ওইখিবা নাওসাদ অলিনা বোল ২৭তা রন ৩৫ অদুগা সন্তোশনা বোল ১৩দা রন ১৫ লৌদুনা টার্গেট রন য়ৌনবা হোৎনরল্লবসু লেমহৌরিবা বেটসমেন অয়াম্বনা রন মশীং য়াম্না লৌবা ঙমখিদবদগী ওভর ২০ লোইবদা ৱিকেট ৮ তুরগা রন ১২২ খক্তমক লৌবা ঙমখিবদগী মেটচ অদু কে সী সীনা রন ২২দা মায় পাকখিবনি।

ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুগী মেন ওফ দি মেটচনা কে সী সীগী কিরননা তাখি।

অমরোমদা, এল সী সী সী অমসুং য়ু সী সী (রেদ)কী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী টোস এল সী সী সীনা ঙমদুনা হান্না বেটিং তৌনবা খনখি। অহানবা ইন্নিংসতা এল সী সী সীনা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা অদুগী ওইনা শ্রিনিভাস অমসুং রাকেশনা ওপনর বেটসমেনশিং ওইখি। শ্রিনিভাসনা বোল ৩৫ মায়োক্লবদা রন ৪১ অদুগা রাকেশনা বোল ১৫ মায়োক্লবদা রন ১৯ লৌবা ঙমখি। অতোপ্পা বেটসমেন রুস্তমনা বোল ৩১দা রন ৬১ লৌদুনা টিমগী রন মশীং য়ামহন্নবা হোৎনবদা চাওনা মতেং পাংলমখি। ইন্নিংস অসিগী ওইনা ওভর ২০ লোইবদা ৱিকেট ৮ তুরগা রন ১৬৮ লৌবা ঙমখি।

অমরোমদা য়ু সী সী (রেদ)না বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা ওভর ২০ লোইবদা ৱিকেট ৭ তুরগা রন ১১৯দগী হেন্না লৌবা ঙমখিদবদগী মেটচ অদু এল সী সী সীনা রন ৪৯দা মায় পাকখিবনি। ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুগী মেন ওফ দি মেটচনা এল সী সী সীগী রুস্তমনা তাখি।

ৱাই দি ও য়াওহনখিদ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ০৬ (ঐচ এন এস): আই দব্লিয়ু দি এফ এনা শীন্দুনা তৌবুংখোক্কী বি এম এস সী গ্রাউন্দদা চথরিবা ২৩শুবা সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগকী ওইনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা কে ৱাই সী (এন) অমসুং ৱাই দি ওগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অমদা ৱাই দি ওগী সিনিয়রশিংনা রেফরিগী দিসিজন য়াখিদবা অমদি ফজদবা ৱাহৈ-ৱাতা কয়া শীজিন্নখিবা অদুনা মরম ওইরগা ফুটবোল লীগ অসিদগী ৱাই দি ও য়াওহন্দবদা ৱারেপ্পখ্রে হায়না ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসনগী জেনরেল সেক্রেটরি ঐচ চেতনচন্দ্রনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

এম য়ু বোল বেদমিন্টন টিমদা য়াওগদবশিং খনখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ০৬ (ঐচ এন এস): সেলেক্সন কম্মিটিনা রেক্কমেন্দ তৌরকখিবগী মতুংইন্না এম য়ু বোল বেদমিন্টন (মেন এন্দ ৱিমেন) টিম ২০২৩-২৪দা শরুক য়াগদবা শান্নরোয়শিং খনখ্রে। খল্লবা শান্নরোয়শিং অসিনা এম য়ু বোল বেদমিন্টন টিম রিপ্রজেন্ট তৌদুনা লাক্কদৌরিবা ওল ইন্দিয়া ইন্টর য়ুনিভর্সিটি বোল বেদমিন্টন (মেন এন্দ ৱিমেন) টুর্নামেন্টতা শরুক য়াগনি হায়না এ দি এস এম য়ু ডা. সী ঐচ প্রদিপনা থোকপা ওফিস ওর্দর অমদা হায়রি।

ওফিস ওর্দর অসিগী মতুংইন্না এম য়ু টিম রিপ্রজেন্ট তৌনবগীদমক খনখ্রবা নুপা শান্নরোয়শিংদি মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ইকোকলেন এন চা, সঞ্জিৎ মোইরাংথেম, মালেমঙানবা হৈগ্রুজম, রামানন্দ থোকচোম; এন জি মণি কোলেজগী নিতা অনন্দ অর্জুন, বিনিতকুমার নিংঙোম্বম; নৈলিটকী সন্তোশ কাঙুজম, ক্লুইভর্ট রাজ কুমার; বিরমঙ্গোল কোলেজগী হুইরেম লানকুমার অমসুং কমক্ষ্য পেমটোন কোলেজগী খুল্লাকপম অলিয়াজ অলি শাহনি। রিজর্ভতা লৈরিবশিংনা নৈলিটকী টি ঐচ ওৱেন, কে পি সীগী ৱাই অথোইবা অমসুং এম য়ুগী ওলিভর পায়ানি।

নুপীগী ওইনা খনখ্রবা শান্নরোয়শিংনা এন জি মণি কোলেজগী রোশনি চনু, এস তম্ফাসনা চনু, আর কে মোনিকা; মিম্মসকী প্রিতি নাওরেম; মণিপুর কোলেজগী ইনৌলৈমা সনসম; রিজনেল কোলেজগী স্বিতি অকোইজম; এস এস এম আই দি আর সাইন্সকী দেবিয়া তখেল্লম্বম; ষ্টেন্দর্দ কোলেজগী সী ঐচ মেক্সি চনু; নৈলিটকী সোনৈকিপ রাংরা অমসুং য়ুনাকো কোলেজগী ভারিনা লাইরেনলাকপমনি। রিজর্ভতা লৈরিবশিংনা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী মর্সি থৌদাম অমসুং নৈলিটকী লৈভোন অলভিনা কোম অমদি পৈমিরিন কৈশিংনি।

খল্লবা শান্নরোয়শিং অসিনা থা অসিগী ৮গী অয়ূক পুং ১১.৩০ ফাওবগী মনুংদা কোচিং অমদি মরী লৈনবশিংগীদমক এ দি এসতা রিপোর্ট তৌরগদবনি হায়না ওফিস ওর্দর অসিদা পল্লি।

ꯑꯦꯝ ꯌꯨ ꯕꯣꯜ ꯕꯦꯗꯃꯤꯟꯇꯟ ꯇꯤꯃꯗꯥ ꯌꯥꯎꯒꯗꯕꯁꯤꯡ ꯈꯟꯈꯔꯦ

ꯏꯝꯐꯥꯜ, ꯃꯥꯔꯆ ꯰꯶ (ꯑꯦꯆ ꯑꯦꯟ ꯑꯦꯁ): ꯁꯦꯂꯦꯛꯁꯟ ꯀꯃꯤꯇꯤꯅꯥ ꯔꯦꯀꯃꯦꯟꯗ ꯇꯧꯔꯀꯈꯤꯕꯒꯤ ꯃꯇꯨꯡꯏꯟꯅꯥ ꯑꯦꯝ ꯌꯨ ꯕꯣꯜ ꯕꯦꯗꯃꯤꯟꯇꯟ (ꯃꯦꯟ ꯑꯦꯟꯗ ꯋꯤꯃꯦꯟ) ꯇꯤꯝ ꯲꯰꯲꯳-꯲꯴ ꯗ ꯁꯔꯨꯛ ꯌꯥꯒꯗꯕ ꯁꯥꯟꯅꯔꯣꯌꯁꯤꯡ ꯈꯟꯈꯔꯦ꯫ ꯈꯜꯂꯕ ꯁꯥꯟꯅꯔꯣꯌꯁꯤꯡ ꯑꯁꯤꯅꯥ ꯑꯦꯝ ꯌꯨ ꯕꯣꯜ ꯕꯦꯗꯃꯤꯟꯇꯟ ꯇꯤꯝ ꯔꯤꯞꯔꯖꯦꯟꯇ ꯇꯧꯗꯨꯅꯥ ꯂꯥꯛꯀꯗꯧꯔꯤꯕ ꯑꯣꯜ ꯏꯟꯗꯤꯌꯥ ꯏꯟꯇꯔ ꯌꯨꯅꯤꯚꯔꯁꯤꯇꯤ ꯕꯣꯜ ꯕꯦꯗꯃꯤꯟꯇꯟ (ꯃꯦꯟ ꯑꯦꯟꯗ ꯋꯤꯃꯦꯟ) ꯇꯨꯔꯅꯥꯃꯦꯟꯇꯇꯥ ꯁꯔꯨꯛ ꯌꯥꯒꯅꯤ ꯍꯥꯌꯅꯥ ꯑꯦ ꯗꯤ ꯑꯦꯁ ꯑꯦꯝ ꯌꯨ ꯗꯥ. ꯁꯤ ꯑꯦꯆ ꯄ꯭ꯔꯗꯤꯞꯅꯥ ꯊꯣꯛꯄ ꯑꯣꯐꯤꯁ ꯑꯣꯔꯗꯔ ꯑꯃꯗꯥ ꯍꯥꯌꯔꯤ꯫

ꯑꯣꯐꯤꯁ ꯑꯣꯔꯗꯔ ꯑꯁꯤꯒꯤ ꯃꯇꯨꯡꯏꯟꯅꯥ ꯑꯦꯝ ꯌꯨ ꯇꯤꯝ ꯔꯤꯞꯔꯖꯦꯟꯇ ꯇꯧꯅꯕꯒꯤꯗꯃꯛ ꯈꯟꯈꯔꯕ ꯅꯨꯄꯥ ꯁꯥꯟꯅꯔꯣꯌꯁꯤꯡꯗꯤ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔ ꯌꯨꯅꯤꯚꯔꯁꯤꯇꯤꯒꯤ ꯏꯀꯣꯀꯂꯦꯟ ꯑꯦꯟ ꯆꯥ, ꯁꯟꯖꯤꯠ ꯃꯣꯏꯔꯥꯡꯊꯦꯝ, ꯃꯥꯂꯦꯝꯉꯥꯟꯕ ꯍꯩꯒ꯭ꯔꯨꯖꯝ, ꯔꯥꯃꯥꯅꯟꯗ ꯊꯣꯛꯆꯣꯝ; ꯑꯦꯟ ꯖꯤ ꯃꯅꯤ ꯀꯣꯂꯦꯖꯒꯤ ꯅꯤꯇꯥ ꯑꯅꯟꯗ ꯑꯔꯖꯨꯟ, ꯕꯤꯅꯤꯇꯀꯨꯃꯥꯔ ꯅꯤꯡꯉꯣꯝꯕꯝ; ꯅꯩꯂꯤꯇꯀꯤ ꯁꯟꯇꯣꯁ ꯀꯥꯡꯖꯝ, ꯀ꯭ꯂꯨꯏꯚꯔꯠ ꯔꯥꯖ ꯀꯨꯃꯥꯔ; ꯕꯤꯔꯃꯉ꯭ꯒꯣꯜ ꯀꯣꯂꯦꯖꯒꯤ ꯍꯨꯏꯔꯦꯝ ꯂꯥꯟꯀꯨꯃꯥꯔ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯀꯃꯥꯈ꯭ꯌ ꯄꯦꯃꯇꯣꯟ ꯀꯣꯂꯦꯖꯒꯤ ꯈꯨꯜꯂꯥꯀꯄꯝ ꯑꯂꯤꯌꯥꯖ ꯑꯂꯤ ꯁꯥꯍꯅꯤ꯫ ꯔꯤꯖꯔꯚꯇꯥ ꯂꯩꯔꯤꯕꯁꯤꯡꯅꯥ ꯅꯩꯂꯤꯇꯀꯤ ꯇꯤ ꯑꯦꯆ ꯋꯥꯔꯦꯟ, ꯀꯦ ꯄꯤ ꯁꯤꯒꯤ ꯋꯥꯏ ꯑꯊꯣꯏꯕ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯑꯦꯝ ꯌꯨꯒꯤ ꯑꯣꯂꯤꯚꯔ ꯄꯥꯌꯥꯅꯤ꯫

ꯅꯨꯄꯤꯒꯤ ꯑꯣꯏꯅꯥ ꯈꯟꯈꯔꯕ ꯁꯥꯟꯅꯔꯣꯌꯁꯤꯡꯅꯥ ꯑꯦꯟ ꯖꯤ ꯃꯅꯤ ꯀꯣꯂꯦꯖꯒꯤ ꯔꯣꯁꯅꯤ ꯆꯅꯨ, ꯑꯦꯁ ꯇꯝꯐꯥꯁꯅꯥ ꯆꯅꯨ, ꯑꯥꯔ ꯀꯦ ꯃꯣꯅꯤꯀꯥ; ꯃꯤꯝꯁꯀꯤ ꯄ꯭ꯔꯤꯇꯤ ꯅꯥꯎꯔꯦꯝ; ꯃꯅꯤꯄꯨꯔ ꯀꯣꯂꯦꯖꯒꯤ ꯏꯅꯣꯂꯩꯃꯥ ꯁꯅꯁꯝ; ꯔꯤꯖꯅꯦꯜ ꯀꯣꯂꯦꯖꯒꯤ ꯁ꯭ꯋꯤꯇꯤ ꯑꯀꯣꯏꯖꯝ; ꯑꯦꯁ ꯑꯦꯁ ꯑꯦꯝ ꯑꯥꯏ ꯗꯤ ꯑꯥꯔ ꯁꯥꯏꯟꯁꯀꯤ ꯗꯦꯕꯤꯌꯥ ꯇꯈꯦꯜꯂꯝꯕꯝ; ꯁ꯭ꯇꯦꯟꯗꯔꯗ ꯀꯣꯂꯦꯖꯒꯤ ꯁꯤ ꯑꯦꯆ ꯃꯦꯛꯁꯤ ꯆꯅꯨ; ꯅꯩꯂꯤꯇꯀꯤ ꯁꯣꯅꯩꯀꯤꯞ ꯔꯥꯡꯔꯥ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯌꯨꯅꯥꯀꯣ ꯀꯣꯂꯦꯖꯒꯤ ꯚꯥꯔꯤꯅꯥ ꯂꯥꯏꯔꯦꯅꯂꯥꯛꯄꯃꯅꯤ꯫

ꯔꯤꯖꯔꯚꯇꯥ ꯂꯩꯔꯤꯕꯁꯤꯡꯅꯥ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔ ꯌꯨꯅꯤꯚꯔꯁꯤꯇꯤꯒꯤ ꯃꯔꯁꯤ ꯊꯧꯗꯥꯝ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯅꯩꯂꯤꯇꯀꯤ ꯂꯩꯚꯣꯟ ꯑꯂꯚꯤꯅꯥ ꯀꯣꯝ ꯑꯃꯗꯤ ꯄꯩꯃꯤꯔꯤꯟ ꯀꯩꯁꯤꯡꯅꯤ꯫

ꯈꯜꯂꯕ ꯁꯥꯟꯅꯔꯣꯌꯁꯤꯡ ꯑꯁꯤꯅꯥ ꯊꯥ ꯑꯁꯤꯒꯤ ꯸ꯒꯤ ꯑꯌꯨꯛ ꯄꯨꯡ ꯱꯱.꯳꯰ ꯐꯥꯎꯕꯒꯤ ꯃꯅꯨꯡꯗꯥ ꯀꯣꯆꯤꯡ ꯑꯃꯗꯤ ꯃꯔꯤ ꯂꯩꯅꯕꯁꯤꯡꯒꯤꯗꯃꯛ ꯑꯦ ꯗꯤ ꯑꯦꯁꯇꯥ ꯔꯤꯄꯣꯔꯠ ꯇꯧꯔꯒꯗꯕꯅꯤ ꯍꯥꯌꯅꯥ ꯑꯣꯐꯤꯁ ꯑꯣꯔꯗꯔ ꯑꯁꯤꯗꯥ ꯄꯜꯂꯤ꯫

HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



PUZZLE NO. 1070

Jose Antonio Herrera Reyes (2311) - Franklin Annervys Palomo (2282)
Titled Tuesday intern op 5th June Chess.com INT (5), 2018.06.05

1.Nf3 Nf6 2.g3 g6 3.Bg2 Bg7 4.O-O d6 5.d3 O-O
6.c3 c6 7.a3 Qc7 8.b4 a5 9.Bb2 Re8 10.Nbd2 e5
11.e4 b6 12.Re1 Ba6 13.c4 Nbd7 14.Rc1 Rad8 15.Qb3 h6
16.Nf1 Nf8 17.Bc3 Ra8 18.Rb1 c5 19.Ne3 Ne6 20.bxc5 Nxc5
21.Qc2 Bb7 22.Rb2 Bc6 23.Bd2 Nfd7 24.h4 Rab8 25.h5 Kh7
26.hxg6+ fxg6 27.Nh4 Nf8 28.Nd5 Bxd5 29.exd5 Bf6 30.Nf3 Qd7
31.Be3 Qf5 32.Bxc5 bxc5 33.Rxb8 Rxb8 34.Nd2 Nd7 35.Ne4 Be7
36.Qa4 Nf6 37.Qxa5 Nxe4 38.Bxe4 Qf6 39.Re3 Qg5 40.Qc7 Rb1+
41.Kg2 h5 42.Rf3 Kh6 43.Qc8 Qc1 44. ...

QUESTION :
White to win

Puzzle 1069 Solution :

19. Ng6+ The white knight moves out of the pin by Black's rook against White's queen. The white knight clears the way for White's queen to the rook. **hxg6**
20. Qxe8 The white queen captures Black's rook, which was defending the square b8. **Rxe8 21. Rxe8+** The white rook captures Black's rook, which was defending the square b8. **Kh7**
21...Qf8 22.Rxf8+
22. Rbb8 Kh6
22...Qf8 23.Rxf8
23. h4 Kh7 24. Rh8# Highstriker mate
1-0

Likla™
Likla
MANGO DRINK
₹10 ONLY
READY TO SERVE FRUIT DRINK
NET QUANTITY 160ml
ꯂꯤꯛꯂꯥ
Promote Local Farmers
Support Local Industries
Likla PINEAPPLE DRINK
Likla MANGO DRINK
Likla
Likla PASSION FRUIT DRINK
Likla PINEAPPLE
Thangjam Agro
HL-B/8592/1/3-29/3 (alt)

Ministry of Social Justice & Empowerment
Government of India

মপাঙ্গল কলহল্লবা দিভ্যাংজন
মোদি লৈঙাক্কী
গরেন্টি

দিভ্যাংগী পূন্সি থম্মোয় শেংনা তমজনিংঙাইনি। হৌখিবা চহী ১০সিদা, দিভিজান ইচিল-ইনাও অমসুং ইচে-ইচলশিংগী পূন্সি মহিং ফগৎহন্নবা হোৎনদুনা লাক্লি।
- নরেন্দ্র মোদি
প্রাইম মিনিষ্টর

ইন্দিয়া শীনবা থুংনা
অনৌবা দিষ্ট্রিক্ট দিসএবিলিটি রিহেবিলিটেসন সেন্টর (দি দি আর সী এস)
৩৫ হাংদোক্লগনি

হাংদোক্কদৌরিবা

ডা. ভিরেন্দ্র কুমার
ইকাই খুম্নজরিবা সোসল জষ্টিস এন্দ ইম্পাৱরমেন্ট মিনিষ্টর

ইন্দিয়া শীনবা থুংনা হাংদোক্কদৌরিবা অনৌবা দিষ্ট্রিক্ট দিসএবিলিটি রিহেবিলিটেসন সেন্টরশিং (দি দি আর সী এস)দি

- মধ্য প্রদেশতা সেন্টর ১৩
- অন্ধ্র প্রদেশতা সেন্টর ৭
- ওদিষ্যাদা সেন্টর ৬
- ত্রিপুরাদা সেন্টর ৪
- মহারাষ্ট্রদা সেন্টর ২
- অসামদা সেন্টর ১
- নাগালেন্দদা সেন্টর ১
- মণিপুরদা সেন্টর ১

তাং
মার্চ ০৭, ২০২৪
মতম
নুংথিল পুং ০২:০০

মথৌশিং অমদি কান্নবশিং

- পি দব্লিয়ু দি এসশিংগী থেরাপি, এদ্যুকেসন, স্কিল ট্রেনিং, রিহেবিলিটেসন সর্ভিসেস, আর্লি আইদেন্টিফিকেসন, ইন্টরভেন্সন অমসুং প্রোভিজন ফোর ফিটমেন্ট ওফ এসিষ্টিভ দিভাইসশিংগী ৱান ষ্টোপ সোল্যুসন
- পর্সন ৱিথ দিসএবিলিটিশিংগী য়ু দি আই দি রেজিষ্ট্রেসন, পি দব্লিয়ু দি এসশিংদা লোন, বস পাসশিং অমসুং অতোপ্পা কন্সেসন/খূদোংচাবশিংগীদমক ফেসিলিটেসন সেন্টর
- প্রোস্থেটিক্স এন্দ ওর্থোটিক্স, ফিজিওথেরাপিষ্ট, স্পীছ এন্দ হিয়ারিং থেরাপি, স্পেসল এদ্যুকেসন, পেরেন্ট কাউন্সেল্লিংনচিংবদা মতেং পীবা
- স্কোলরশিপ, স্কিল ট্রেনিং, থবক পীজনবা লোনগী শেম শাবদা মতেং পীবা
- তোঙান-তোঙানবা গভর্ণমেন্ট স্কিমশিংগী মতাংদা এৱেয়রনেস অমদি পব্লিসিটি চথবা
- গভর্ণমেন্ট এন্দ চেরিটেবল ইন্সটিট্যুটশিংগী খূথাংদা সর্জিকেল করেক্সনগী রিফরেল অমসুং এরেঞ্জমেন্ট

YouTube @DEPwDAccessibleIndiaCampaign @socialpwds @socialpwds @DoEPWD depwd.gov.in

cbc 38117/13/0068/2324

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com